# "অচুম্বা লাকপা ঙাইবদা ৱারে-!"

- এল ইবোমচা -

ইমুং অমগী যূম্বাল-কৈবাল করম তৌগে, মশক খঙগে হায়রবদি ইমুংদুদগী থোরকপা অহলদুগী লীচৎ-শাজৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, য়াহিপ-চাকচা, ফিজেৎ য়েংলগা ইরায় লায়না খঙই। মরম অদুনা ইমুং অমা ফহনবা অমদি ফহন্দবা হায়বসি ইমুং অদুগী অহলগী লমচৎকী মখা য়াম্না পোল্লি। মতৌ অসুম্না মী অমগী অমদি ফূরুপ অমগী মশক খঙগে হায়রবদি মপা-মপু, পারি-পুরিগী ৱারী-ৱাখোঙ ফাক্তুনা য়েংনরিবনি। অপূনবগী ওইনা য়েংলবসু মশাগী ওইবা লোল, ময়েক, লাইনীং-লাইশোন, য়েক-সলাই লৈতবা ফূরুপকী মীওইশিংবু হৌরকফম খঙদবা, লমজা-শারা মচা হায়রগা থোইনা হেন্না খঙনৈ। অদুনদি মণিপুরদা শৈদাংদুনা লৈরিবা কুকিশিং অসিসু অমনি হায়বা য়াই।

কুকিশিংনা অতম্ননা মীতৈশিংদা লান্দারক্লিবা অসি অতৈগী নত্তে, মণিপুর থুগাইরগা কুকিশিংতগী কুকিলেন্দ কন্থ্রি অমা শেমগে হায়বগীনি। লমজা-শারা মচাগী হৌনবী মতম খরদি মপূনা চান্নবা ফজবা শাজৎ চৎশিন্নরগা মপুগী অচেংবা তাঞ্জা ঙাইরগা খংলাক-খংজিন হুরান-লোন্নাদা মীতৈশিংদা লান্দারকপনি। লেপ্পা চল্লবদি ফম্বা চল্লি, ফম্বা চল্লগনা হিপ্পা চল্লি হায়বদুগী মতৌদা শৈদাংদুনা লৈরিবনি নীংশিংদনা হেক্তা লান্দারকপনি। মদুসু চুম্না সুম চিন্না হায়বদি য়ারক্লরোই খনবদগী নোংমৈ, বোম, টোপনা লান্দারকপনি। মতাংসিদা মীতৈশিংনা হংনীংলিবদি মখোয়গী মপা-মপুশিংনা মখোয়গী লম, লোল-ময়েক, লাইনীং থন্বীরমদে হায়না চুম্না শাউবদুনা অমনি। মদুদি নত্তনা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী মশাগী ঈখেংনা শেম্বীরম্বা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইরগা কুকিশিংতগী ওইবা কুকিলেন্দা ষ্টেট অমা শেমগে হায়বগী ৱাখল অসিমক্তি খনফম শুকথোক থোক্তে হায়বসিনি। হায়বদি মখোয়গী মপা-মপুশিংনা মখোয়গীদমক লম মচেৎ অমত্তা থন্বীরমদবদগী মৈত্রবাক মণিপুরদা শৈদাংদুনা লৈরিবনি হায়বসি নীংশিংদনা মণিপুরসি মখোয়গী মপা-মপুশিংনা থল্লম্বা মখোয়গা শেৎন-খাইনবা য়াদ্রবা লমনি হায়না ক্লেম তৌজবা শারি অমদি চিনসিনা পন্নীংদবা এঙলো কুকি ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্স হায়বা মিং অমা থোল্লগা মণিপুরগী লৈমায়দা শেমগৎপা ঙল্লিবা মসিমুক ঙকপা অনী শুদে। শাউনীংলম্বদগী নোক্লিংবা ফাওবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক খল্লুবদা ঐখোয়না হেন্না মালেমগী মীয়াম মাঙদা ইকায়বী। তশেংবদি কুকিশিংসি মশা ঙাওনা ফৈনা নারে, লায়েংদবা য়াদ্রে খঙজদে। অদুবু লুরিবদি মখোয়বু লায়েংনবা ডাক্তর লৈতবা অসিসু অমনি অমদি মখোয় মশা ঙাওনা ফৈনা নাদে ডাক্তরদা চৎতুনা লায়েংলুবগী মথৌ তাদে হায়না শিদৎ-তৎপমখৈ লায়েংথোক্তনা লৈরিবা অসিনি।

মখোয়গী ৱাঙাঙ-শঙাঙ তারুরগা য়ুদা এদিক্ট ওইদুনা লিভর ব্রর-ব্রর পৎতুনা নাবদগী মপুক কংখৎতুনা চোইরোল পারোন লোল্লবা শিগদবগী মতম ঙাইরবা মীওই অমগী ৱাঙাঙ শঙাঙ নীংশিংলকই। মদুদি ঐ করিসু তৌদে, হকচাংদা নুংঙাইতবা করিমত্তা লৈতে, ডাক্তর চৎতুনা লায়েংলুবগী মথৌ তাদে। য়ুবু থক্লিংলগা থকপা য়াবা, থক্লিংদ্রগনা তোকপা য়াবদুবু - ৱা ওইনা ঙাঙলদনা, ঙাঙলক্কনু তানীংদে হায়বদুগা চপ মান্নে। তোক্তা তোক্লগদবা মানবা, থকপা তোকপদি লৈতবা য়ুদা লাইচুরবা মীওইশিংগা চাংদম্নবা য়াবা কুকিশিংনি। অমরোমদা, হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তৌরিবা থৌওং অসিমসু য়ু থক্তনা ঙাওশিন্নবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হায়দ্রবসু মণিপুর মীয়াম্না হান্নদগী খঙদুনা লাক্লে। হান্ননা লুক ইষ্ট পোলিসি হায়রম্বদগী হৌজিক্লা এক্ট ইষ্ট পোলিসিদা ওনখ্রবা থৌরাংসি মায় পাক্লবা হোৎনরকপদা ম্যান্মারগী চিন ষ্টেট, রখাইন ষ্টেট, শগায়িং দিভিজন, চিন-কুকি ফূরুপকী মীওইশিংগী মতেং য়াওদনদি মায় পাকপা ঙল্লোইদবনা মখোয় শাউহনবা চুমদে, লুনা তৌদবা য়াদে, য়াম্না নুংশিনা লোয়নদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল ইন্দিয়ানা খল্লি খঙই।

মরম অসিনা মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইবনিনা দাইরেক্ট মীচং চংদনা থল্লগা কুকিশিংনা ৱাজরক্লগা মশা মতোমতা লান তোকচখিনি খনবা মাল্লি। মসিনা মরম ওইরগা লান অসি ঙসি-হয়েং হেক্তা  লোইগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। মসিদা মীতৈশিংনা খল্লিবনা ইন্দিয়ানা কুকিশিংবু হেন্না নাউ চাউহনবদগী মীনাইনা মপু শারক্তুনা মণিপুর থুগাইরগা কুকিলেন্দ কন্থ্রি অমা শেমহৌনবা মীতৈশিংসি মণিপুরদগী শীৎ-নান্না তান্থোকখিনবা নোংমৈ, বোম, টোপনা লান্দারকপনি হায়বসিদা কন্না শাউনরি। মসিনা মরম ওইরগা মৈ হৌনা শাউরবা মীতৈশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হায়রিবনা মীতৈ ইপা-ইপুশিংগী ঈখেংতনা শেম্বীরম্বা মণিপুর অসি থুগাইবীগদবা ওইরবদি এক্ট ইষ্ট পোলিসি পামদ্রে তোকপীরো হায়না লাউনরকপনি।

হায়বদি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুর মনীং তম্না, ৱাত্তা-পাদনা লৈজরম্মী, নখোয়না নম্ফুদা লৌশিনখিবনি। মরম অদুনা মৈত্রবাক মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাকপীবা ঙল্লোইদবা ওইরবদি মণিপুর কোনশিন্দুনা থন্বীরগনু, ঐখোয় ইশানা ওইনা ঙাকচরগে হায়না লাউনরকপনি। শান্তিদা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা য়ানবা চীং-তম অনী মান্নবা মীৎয়েং, মান্নবা আইন চৎনহনবসু ঙমদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লি হায়না মতিং শোক্লা শাউনরি। খন্নদুনা য়েংবা য়াই মদুদি মণিপুরদা লৈঙাক অমগী মখাদা ফূরুপ কয়াগা পুল্লপ পূন্না খুন্দাদুনা লৈমিন্নরগা চীংদনা নিংথৌনা, তম্পাক্তনা লৈঙাক্কী আইন্না লৈবাক ঙাকপা হায়বসিদি মালেমগী করম্বা লৈবাক্তা লৈরমগদগে হায়না হংলক্লি।

অমরোমদা, কুকিশিংনা হান্না লান হৌবনি হায়বা খঙনা-খঙনা মীতৈশিংনা লান হান্না হৌরুবগুম নখোয়না ফূরুপ অচৌবনি খল্লগা ফূরুপ মচা ওইবা কুকিশিং অসিবু খরা ঙাকপীয়ু হায়বা ৱাহৈশিং অসি শীজিন্নদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীতৈশিংদা থেল্লি। কুকিশিংবু কনখৎলগা লান হৌরুবসু নত্তবা মীতৈশিংদা মখোয়গা মান্নরুনু হায়না তিকি পীজবগী থৌওং অমা চথবা মসিমক্তি হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা মীতৈশিংনা কৈদৌনুংদা য়াবা ঙল্লোই।

হায়বদি মীতৈ খুদিংমক মহাভারতকী লান করি মরমদগী থোকখি, করম্না লান লোইশিনখি হায়বা লোইনা খঙই। অচুম্বা পামজবা পান্দব মচিল মনাও মঙা অরানবদা হৈনরবা কৌরব মচিল মনাও চাম্মগী মীওৎ-মীনৈদা কয়াদা ৱানা খাঙখিবা হায়বসু লোইনা খঙই। অদুগা অরানবতা তৌবদা হৈনদুনা লাক্লবা কৌরব মচিল মনাওশিংগী মীচংদা মশক নাইরবা কর্ণ, ভিস্ম, দ্রোন্নচার্য্য, কৃপাচার্য্য, মীচং চংই হায়বা লোইনা খঙই।

অমরোমদা, রামায়নগী ৱারীদা শ্রীরাম অমসুং শ্রীলঙ্কাগী নিংথৌ রাবন অনীগী লান করি মরমগী থোকখি, করম্না লোইশিনখি হায়বা লোইনা খঙই। মদুসু শ্রীলঙ্কাগী নিংথৌ রাবনগী মায়োক্তা হেক পোকমিন্নবা মনাও বিভিষন লেপ্পী হায়বসু খঙই। পূম্নমক অসি হিন্দু ধর্ম্ম চৎলুবনা মীতৈশিংনা লোইনা খঙই। মসিদা নত্তনা হরিচন্দ্রগী ৱারী সাবিত্রি সৈত্যবান অমদি নল দময়েন্তি, রাধা কৃষ্ণগী ৱারী লোইনা খঙই। মরম অসিনা ফরবসু ফৎত্রবসু ইন্দিয়াগা মান্নবা চীঞ্জাকশিং চামিন্নদুনা চহী ৭৪ খরা হেন্না পূন্না লৈমিন্নরক্লবনি। মদুগী মথক্তা চপ মান্নবা ধর্ম্ম চৎমিন্নরিবনি। মরম অসিনা হিন্দুশিংনা মপূং ওইনা লৈঙাক্লিবা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংগী লমচৎ শাজৎ মীতৈশিংনা করিগী খঙলোই, শিৎ নান্না খঙই। অদুগা মসিমসু খঙই মদুদি অচুম্বনা মমৈথংদা মায় পাকই। ৱাথোক খুদিংমক অচুম্বনা মমৈথংদা মায় পাকই হায়বা খঙই। মরম অসিনা লান পামজদবা মীতৈশিংদি কৈদৌঙৈ লাক্কনি খঙদবা 'অচুম্বা লাকপা ঙাইবদা ৱারে-!" ●

---

# ফজরবসু তানীংদ্রবদি তানীংদ্রে

মতম মতমগী

**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা**

'খামোশ' ফজবা ৱাহৈ নত্তে । মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক অসি 'তূমিন লৈয়ু নৎত্রগা লাংগনু' হায়বা ওইরমাল্লে। ঐহাক ইশামক্তি হিন্দি মমুৎ তানা, কাচিন-কোয়া য়ৌনা খঙদে, ঐনা খঙলিবা অসিদি বজার ভাষা হায়নবদুনি। ক্লাস আইট ফাওবদনি তন্নকখিবদুসু, মদুসু পাস মার্কখক ফংনবনি। ক্লাস আইট লোইবদা হিন্দি তন্নরোই খনবদা য়াম্না নুংঙাইখিবনি। মসিগী ৱাহন্থোক চুম্বা লানবা অদুনা তোঙান্না থমখ্রগা ৱাহৈ অসিমদি ঙসি ফাওবা নীংশিংলি। ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ২০/৩০ মুক্কী মমাঙদা ওইরমগদ্রা করি ফিল্মদা ইহান হান্না হায়খিবনো হায়বদুমক খঙদব্রসু হিন্দি ফিল্মগী শক্লাইরবা এক্টর সত্রুঘন সিনহানা হায়বদা তাখিবনি, য়াম্না পকচখি। ঙসি ফাওবা ষ্টেজদা, মীদিয়াদা য়াম্না তোয়না হায়বা থেংনরি। মীখলগী রেল্লিদসু অদুম হায়, পকচবনা ওইবা তাই মীয়াম্নসু পাম্না তানরি। হিন্দি ফিল্ম এক্টর ধরমেন্দ্রগীসু য়াম্না পকচবা দাইলোগ মতেক অমা লৈ, শাওরক্লবা মতমদা 'কুতে কম্মিনে' হেক্তা হায়রকই তাবদা অদুম নুংঙাই। পুলিস ইন্সপেক্টর ওইরম্বদগী ফিল্ম ষ্টার ওইরকখিবা রাজকুমারগী 'জানি টু মেরে অশিক হৈ' হায়বদুসু তাবা অদুম নুংঙাই। মপূন্সিগী য়ু থক্ত্রবসু য়ু ঙাওবগী রোলখক্তমক লৌখিবা কেসটো মুখর্জিনা 'আইট, আইট' হায়রগা ঙাঙবদুসু তাবা অদুম নুংঙাইখি। লমদম অসিগীসু শুমাংলীলাগী শক্লাইরবা কুম্মৈরোই কৈরাও রাজেনগী 'ইয়া ধপতি' হায়বদুসু তাবদা অদুম নুংঙাইখি। মতম অমদা মোবাইল ফোনগী কোল্লর টোন ফাওবা ওইনখি। ৱাহৈশিং অসি সোসল মীদিয়াদা ঙসি ফাওবা হিংলি মীয়াম্না অদুম পাম্নরি।

ৱাহৈশিং অসি ঙসি ফাওবা পাম্না তানরবসু মতম অমদা মীয়াম্না পাম্নরম্বা, ভেল্যু য়াম্না লৈরম্বা ৱাহৈ খরা ঙসিদি লমদম অসিগী মীয়ামগী মফমদদি (মীওই খরখক নত্তনা) নামুংনবা ৱাহৈ ওইরে। "মহাক্তি প্রধান মন্ত্রি নত্তে, প্রধান সেবকনি" মোদিজি মশামক্লা হায়খিবনি। ফজদ্রা? মদুমক্লা কুমজা ১৯১৭কী মণিপুর বিধান সভাগী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ মশীং য়াম্না কাদুনা লমদম অসিদা বি জে পি লৈঙাক লিংখিবনি। ঙসি দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক লৈরিবা লমদম অসিদা মহাক ঙসিসু প্রধান সেবক ওইরিব্রা? অতৈ ষ্টেটকীদি ওইরম্বসু য়াই অদুবু লমদম অসিগীদি ওইদ্রে হায়না লৌবদা লাল্লগদ্রা? মখা তানা দেসকী চৌকিদারনি অমুক হায়রকখি। ফজৈ তাবদা অদুম নুংঙাইখি। মমাঙদা পানখিবা প্রাইম মিনিষ্টর অমত্তদগী তাখিদ্রিবা ৱাহৈনি, কুমজা ২০১৯গী লোক সভা মীখল মমাঙদা হায়রকখিবনি। কান্নবসু ফংখি, ইন্দিয়াদা বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ওইনা লৈঙাক পায়খি, তৌনীংবা তৌখি, লৈবাক অসিদা হাইনা হুম্না পানখি। পুথোকনীংবা বিল পুথোক্তুনা কনা অমত্তগী মতেং য়াওদ্রবসু পাস তৌদুনা মনীং তমখি। মশীং য়ামজদ্রবসু মতম অদুদা লমদম অসিদগী বি জে পি অমসুং মখোয়গা চৎমিন্নবা পার্টিগী এম পি অনী থাগৎতুনা মোদিগী পাঙ্গল হাপখিবনি। মহাক ঙসিসু মখা তানা দেসকী চৌকিদার ওইরিব্রা? মণিপুর মোদিগী দেস অদুগী মনুং চন্দ্রবরা নৎত্রগা মথৌ মশক খঙদবা চৌকিদার ওইখ্রবরা? লমদম অসিদা থা ১৫ হেন্না মৈ চাক্লিবা অসি উদ্রবরা? হংফম থোকপা ৱাহং নত্তবরা? মখা তানা অমুক লাউথরকখি 'সবকা সাথ সবকা বিকাশ' মীওই খরনদি য়াম্না হরাওনখি মোদিজি অমদি অমিট শাহজিগী লমজিং মখাদা লমদম অসি চাওখৎলে হায়খি। তৌদবা করি লৈরিবগে হায়না ফাওবা হংলকখ্রে, তৌদবা অমখক্তা হায়রকউ ফাওবা হায়রকখ্রে।

মুশিন মুবা কালামুদুবু মুই হায়বদা ময়াদি ঙৌই হায়রকপগুম জিরি লম্বীদা এরোপ্লেন তাবা য়াবা শিৎ নানবা মতেক অমা লৈ হায়রকপদা কৈদৌনা য়েৎনরুদোইনো? 'য়েৎনরুনু ঙমহনখো, ৱাখলদদি ঐনা ঙল্লবনি হায়না খল্লু' হায়না স্বামী দামুদোরনা হায়বীরম্বদু নীংশিংলকই। কিলোমিটর ২২০ শাংবা জিরি লম্বী চৎপদা এরোপ্লেনগা জহাজগা অনীমক তোংবা তারিবরা? লৈবাক অসিগী লৈঙাক্তি মীওই অনীগী দেমোক্রেসিনি, মখোয়গী থৌজাল ফংলিবমখৈ চৌক্রি মখোঙ চেৎকনি, অশোয় অঙাম লৈরোই খঞ্জবা মীগী মশীং য়াম্বনা হাদা... হা জিদা... জি হাপ্তুনা মখোয়গী গুণ-গান শক্লা শোন্নরি। লৈঙাক্লা মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক মোদি অমদি অমিট শাহগী মিংদা পাঙথোক্লি। মখোয়না চানবীনবা 'মোদি হৈ তো মুমকিন হৈ' হায়বা খোল্লাওনা ইন্দিয়া নিল্লবসু লমদম অসিগী অৱাবদি কোকহনবা ঙমদ্রি।

বাংলাদেশকী ঈরাংগীদমক্তদি মীফম পাঙথোক্তুনা রিভিয়ু তৌরি। মণিপুরগীদি? থা ১৫ মপূং ফাখ্রবা লান লোইশিনবা ঙল্লবরা? 'মুমকিন হৈ - মুসকিল হৈ ওনগদৌরিবরা? মোদিগী গরেন্টি লমদম অসিগী য়াওদবরা? থা খুদিংগী শন্দোক্লিবা 'মন কি বাট' তানীংদবা মীগী মশীং হেনগৎলক্লি। 'মন কি বাট' তোকপীরো 'কাম কি বাট' তৌবীরো হায়নরক্লে। অবকি বাদ চারশো পারগী স্লোগান লাউদুনা থেংনখিবা মীখলদা ২৪০দগী হেন্না ফংবা ঙমখিদ্রে। কোংগ্রেস মুভ ভারতকী লাল্লোংদা চন্দ্রবাবু নাইদু অমসুং নিটিশ কুমারদা কোল্লগা চৎলে।

ফজবা স্লোগাননা কান্নদ্রে, সত্রুঘন সিনহাগী খামোশ, ধর্মেন্দ্রগী কুটে কম্মিনে, রাজ কুমারগী জানি অমদি কৈরাও রাজেনগী ইয়া...ধপতি তাবা নুংঙাইরবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মকোক অমসুং মহাক্কী খোঙলোইশিংগী ভেল্যু য়াম্না লৈবা মানবা ৱাহৈশিংদুদি ফজরবসু তানীংদ্রবদি তানীংদ্রে।? ●

---

# কুমজা ১৯৯১গী ওগষ্ট ১৬তা থাংজিং চীংদা এরোপ্লেন কায়খিবা

## (চীংনা ইকোয় কোয়শিনবা ইম্ফাল এয়রপোর্টকী অকোয়বদা লৈচিল-নোংফাইনা রনৱে উদ্রবা ফীভমদা পাইলোটনা 'ইন্সক্রুমেন্টেল লেন্দিং সিষ্টম' দা লেন্দিং তৌফম থোক্তে)

- সৌবাম বিরধ্বজ -

হৌখিবা কুমজা ১৯৯৯গী ওগষ্ট ১৬তা কোলকটা এয়রপোর্টতগী ইন্দিয়ান এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট ২৫৭ (দোমেষ্টিক ফ্লাইট) অদু অয়ূক পুং ১১.৫৪দগী ইম্ফাল অমসুং দিমাপুরগীদমক পাইখৎলকখি। এরোপ্লেন অদুদা ইম্ফালগীদমক পেসেঞ্জর ৩২ অমসুং দিমাপুরগীদমক পেসেঞ্জর ৩১ বুক তৌরক্তুনা পুরকখি। ইম্ফালদা কুমহৌগদবা পেসেঞ্জরশিংগী মরক্তা মতমদুগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ইরেংবম তোম্পোক অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম বীর য়াওরিবনি। এরোপ্লেন অদুদা অপূনবা পেসেঞ্জর ৬৩গা লোয়ননা পাইলোট কেপ্তেন সেখর হেলদর (৩৭) অমসুং কো-পাইলোট রোই চৌধুরি (২৬) গা লোয়ননা এয়র হোষ্টেজ ৪ পূন্না পেসেঞ্জর ৬৯গী মনুংদা অপীকপা (ইনফেন্ট) অঙাং অমা য়াওনা এরোপ্লেন ক্রাশ অদুদা পূন্সি পিখম্নখ্রবনি। পাইলোট কেপ্তেন সেখর হেলদর য়াম্না এক্সপরিএন্স লৈরবা, ইম্ফালগী 'বির টিকেন্দ্রজিৎ' ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট' অসিদা কয়ারক হন্না তাখ্রবনি।

ইন্দিয়ান এয়রলাইন্স ফ্লাইট ২৫৭ অদুনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪৫দা ইম্ফাল য়ৌরকপা মতমদা লৈচিল-নোংফাইগী ফীভম য়াম্না ফত্তবনা পাইলোট কেপ্তেন সেখর হেলদরনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট গ্রাউন্দগা ঈ-পাউ ফাওনরম্মী। এয়র ত্রাফিক কন্ট্রোল (এ টি সী) ইম্ফাল টৱারনা ফিট ১০,০০০ মথক্তা পাইদুনা ঙাইহাক লেননবা পাউতাক পীখি। অদুবু কেপ্তেন সেখর হেলদরনা ইন্সক্রুমেন্টেল লেন্দিং সিষ্টম তৌরগে হায়না পাউখুম পীরকপগা লোয়ননা ইন্দিয়ন এয়রলাইন্স ফ্লাইট ২৫৭ অদুনা ফিট লিশীং ৮/৭/৬তা মথং-মথং নেমথরক্লগা এয়রপোর্টকী অকোয়বদা স্পিদ হন্থহন্দুনা লৈর-লৈরদুনা পাইথরকখিবা মতম ফাওবদা ঈ-পাউ ফাওনরম্মী। মিনট খরগী মতুংদদি ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনখিদ্রে। ইন্সক্রুমেন্টেল লেন্দিং সিষ্টম হায়বসি (লৈচিল য়াম্না থাবা মতমদা) রনৱে অদু করিমত্তা উরক্ত্রবা মতমদা শীজিন্নদুনা লেন্দিং তৌনবগী সিষ্টম অমনি। চীং য়াম্না লৈবা লৈবাক্তা ইন্সক্রুমেন্টেল লেন্দিং সিষ্টম অসি কয়া তৌনদে। মরম অদুনা কেপ্তেন সেখর হেলদরনা ইন্সক্রুমেন্টেল লেন্দিং সিষ্টম তৌরগে হায়না খঙহল্লকপদা এ টি সী, ইম্ফালগী ষ্টাফশিংদি অদুমক হুমাং কাংলবনি। খুদক্তা ফায়র বৃগেদ/এম্বুলেন্সনচিংবা পূম্নমক এলার্টতা লৈননবা পাউতাক পীখি। ঈ-পাউ ফাওনখিদবদগী ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী পাইখৎখিবদা ঙাইরিবা এরোপ্লেনগা ঈ-পাউ ফাওনদুনা ইন্দিয়ান এয়রলাইন্স ফ্লাইট ২৫৭ অদু উবরা? ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনখিদ্রে হায়না হংনখি, অদুবু মখোয়গী এরোপ্লেন অদুনদি উবা ফংদ্রে, এয়রপোর্ট মথক্তগী অৱাংবা অলটিচ্যুদতা পাইরে হায়না খঙহল্লকখি। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫৫ চৎলবা মতমদদি এয়র ইন্দিয়া ফ্লাইট ২৫৭ অদুগী ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনখিদ্রে হায়না ইমর্জেন্সি এনাওন্সমেন্ট ওইনা ষ্টাফ ওপরেটরশিংনা লাউথোকখি।

লাইবক থীরবা এয়র ইন্দিয়া ফ্লাইট ২৫৭ অদু পুং খরগী মতুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী থাংজিং চীংদা কায়বগী পাউ খুঞ্জাশিংনা থেংনরকপগী পাউ হেক ফংবগা রেস্ক্যু টিমনা পুং ৫/৬কী মতুংদা মফমদুদা থুংখি। এয়র ইন্দিয়া ফ্লাইট ২৫৭ অদুনা কায়রল্লিবা মফম অদু অলটিচ্যুদ ফিট ৬৭০০ (মিটর ২০০০) ৱাংবা মফমদনি। চীংদোন্দগী ফিট ৩০০ (মিটর ৯১) রোম চথবা মফমদা লাইবক থীরবা এরোপ্লেন অদু থেংজিন্দুনা কায়খিবনি। এরোপ্লেন অদুনা ইন্সক্রুমেন্টেল লেন্দিং সিষ্টমগী মতুংইন্না নেমথরক্লগা লৈদুনা পাইরিঙৈদা অমম্বা লৈচিল-নোংফাই মরক্তা চীংদোলদা থেংজিনখিবনি। মফম অদু ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী সাউথ ৱেষ্ট লোমদা কিলোমিটর ৩৭ লোম লাপ্পা চীংচেপকী লোইরোইননা ঙম্বা মফমদনি। রেস্ক্যু টিমনা লৈখিদ্রবা পূম্নমক্কী মশাশিং পূম্নমক ১৮/০৮/১৯৯১ নুমিত্তা খোমজিনবা ঙম্বগা লোয়ননা মশক খঙবা (আইদেন্টিফাই তৌবা) ঙমখি। ইন্দিয়াগী সিভিল এভিএসন মিনিষ্টর মাধবরাও সিন্দিয়া অমসুং মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা এরোপ্লেন কাইফমদা চৎতুনা ১৯/০৮/১৯৯১ নুমিৎতা য়েংশিনখি। এরোপ্লেন কায়বদা য়াওখিবা অঙাং মচা (ইনফেন্ট) অদুনা কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা ২,৫০,০০০ (লাখ অনী লিশীং য়াঙ্খৈ) পীখি অমসুং পেসেঞ্জর ৬২দনা লুপা লাখ ৫/৫গী কম্পেন্সেসন পীখিবনি। ক্রু মেম্বরশিংগী কম্পেন্সেসনগী মরমদদি অকূপ্পা মরোল খঙজদ্রে।

২৬/০৯/১৯৯১দা উমেশ চন্দ্র বেনর্জিবু পার্মিনেন্ট জজ ওইনা খন্দুনা এরোপ্লেন কায়খিবা অদুগী মরমদা থিজিনবা হৌখি। ফ্লাইট অদুগী (ব্লেক বোক্স) ফ্লাইট রেকোর্দ অনীমক অতেক-অকাই মরক্তগী ফীভম শোক্লা ফংখিবগা লোয়ননা ন্যু দেল্লীদা থাদুনা য়েংশিনবগী থবক পাঙথোকখি। থিজিনবগী অকূপ্পা মরোলদি পব্লিক্তা ফোঙদোকখিদে, মনুংগী ওইবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক থমখি। অসুম্না মরাইবক থীরবা এয়র ইন্দিয়া ফ্লাইট ২৫৭ অদু পাইলোট কেপ্তেন সেখর হেলদরনা ইন্সক্রুমেন্টেল লেন্দিং সিষ্টম (আই এল এস) গী কালক্যুলেসন্দা শোয়বদগী অপূনবা পেসেঞ্জর ৬৩ অমসুং ক্রু মেম্বর ৬কা লোয়ননা অপূনবা মীওই ৬৯গী পূন্সি পিখম্নখ্রবনি। তশেংনমক কেপ্তেন সেখর হেলদরনা ইন্সক্রুমেন্টেল লেন্দিং সিষ্টম তৌননবগী ফিরেপ অদু লৌফম থোক্তবনি। মীওইবগী থৱায়দগী হেনবা করিসু লৈতে, পাইলোটনা খুদোংথীবা নংদনবা কন্না হোৎনরমগনি, মহাকসু মীওইবনি, হিংনীংলিবনি, অদুবু লাইবক থীরবা থৌদোক অদু থোকখ্রে, কনাদা তাইনরুগনি।? ●

---

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)- (২৬৫)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লংমাই খুলখু য়াওরৌ শাগী মমিং মানবা। কাঙক্রুক কাংনাওনা কৌবনা হায়রবনে। অদুগীদমকপু মৈদিংঙু পোইরৈ নিংথৌহলপনা। নোংয়াই খুমল নঙবু মশেল মঙাই শেললৈবাক। অদোল ঙাইসেল ওইবা পাইরৈপাকনে হায়বগী। আমল শিংয়েংলু ও। অশিবা থৌরম য়াওরু লাংলুচো ও হায়না থৌদারকপনে। পাওখুম ৱাহায়জরবদা খুমল নিংথৌ অদোল পুনশিনবনা। য়াইবী থমমোই অশাও খামবী মৈহৌনা খোনফম থীনা ৱাহায়রকয়ে। নোংয়াই লোননা লাঙ। অদোল খুমলনা ৱাহায়না। শেললোই লংমাই লমদমদা হুয়েল লালদাসে। কাংক্রুক কাংনাও লালথেংসে। উপোং মৈশা তানগে। ৱাইকোকপা লমলেল লালচেননগে। ●

[illegible]

---

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৫

১) **"লাইয়েকপগী তাইবংদা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

২) **"নোবাপ মপালসে ফনসু ফজে। মনমসু নুংশি। অদুবু লৈনিদি হায়নদে।"** মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী হৌরকপদা য়াওবা ৱাহৈ পরেংনি। অইবা কনাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা ৱাহৈ পরেংনো?

৩) **"সনা চহী অহুম (মনিং তম্নবা মীরোৎ)"** (২০২০) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৪) **"The Living Thread"** হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৫) **"চেক্লাগী কায়দোঙফম"** (২০১৫) হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।